ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ১৮৫শুবা মশীং

# লময়ানবা ইরাবত

## খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবশিংনা লুচিংবা অসিগী মরমদা খঙহন্নিংই

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পোকখিবা লুচিংবা কয়াবু মীপুম খূদিংমক্না শীংথানরি। সাউথ অফ্রিকাদা পোকখিবা নেলসন মন্দেলা, অমেরিকাদা পোকখিবা অব্রাহম লিঙ্কন, রসিয়াদা পোকখিবা লেনিন অমদি কার্ল মার্ক্স, ইন্দিয়াদা পোকখিবা মহাত্মা গান্ধী, চাইনাদা পোকখিবা মাও-সে-তুং, অর্জেন্টিনাদা পোকখিবা চে গুবেরানচিংবা লুচিংবা কয়াগী মপোকশিং অসি অঙকপা মপোকনি হায়না মীয়াম্না মতম পুন্বদা শীংথানবা লেপত্রি। লুচিংবশিং অসিনা কথোক্লম্বশিং অদুবু শীংথারদুনা মখোয়গী নীংশিং থৌরমশিংসু পাঙথোক্লরি। লমদম অসিদসু তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিং অসিদগী তাদবা লময়ানবা অমা পোকখি হায়বসি মতম অমদা খঙনরমদ্রবসু ঙসিদি লমদম অসিগী মীপুম খূদিংনা খঙনরবনি। মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদবগুম লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনশিং, মতিক মঙাল নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ঐখোয়না মালেমগী লুচিংবা কয়াবু কদায়দা অমদি করম্বা মফমদা পোকখি হায়না হংনবগুম মালেমগী মীপুম খূদিংমক্নসু লৈবাক অসিগী পীকখ্রবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা অদুগুম্বা মীওই অমা পোকখিব্রা হায়বসি হংনিংলম্বা য়াই। লমদমসিদা পোকখিবা মতিক ময়াই লৈবা লুচিংবশিংগী মনুংদা হিজম ইরাবতসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুংদা ঐখোয় মণিপুরী ওইনা লেংদনা লৈগদবনি হায়না ইরাবতনা থৌদাং কয়া লৌখি। অসিগুম্বা মীওই অসি লমদমসিদা করিগুম্বা পোক্লমদ্রগদি ঙসি অপূনবগী শক্তম অমা লৈরিবসি মণিপুরদা লৈরমদবসু য়াই। ইচম চম্বা লৌমী অমগী ইমুংদগী পোক্লকখিবা মীওই অমনা লৈবাক নিংথৌগী মমাক ইবুংঙো ওইদুনা লৈবাক্লা শকখঙ মায়খঙনরবা অমদি মীপুম খূদিংমক্লা ঈকায় খুম্নবগী ফিদা অমা ফংলবসু শোত্থরবা, নৈহৎপীরবা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা হনবা লৈতনা হীরম খূদিংমক্তা মণিপুরীশিংগী য়াইফনবা হোৎনবদা পুন্সি চুপ্পা কত্থোকখিবা মীশক অমনি। ইরাবত কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়দা পোকখি। অপোকপগী মিংনা হিজম ইবুংঙোহল অমসুং অপোকপীগী মিংনা চোংথাম চনু থম্বালঙম্বী কৌই। মহাক মরৈবাকপু নুংশিজবা, নীংতম্লনা হিংননবা, শোত্থরিবা ফুরুপ অমবু চাউখৎহন্নবা হীরম কয়াদা মীৎয়েং থমখিবা মীশকনি। খুন্নাইসিবু মাঙদা পুখৎননবগী পান্দমদা কুমজা ১৯২২দা মহাক্লা ইদিট তৌদুনা খুৎনা ইরগা ‘মৈতৈ চনু’ হায়না মিংথোনবা চেফোঙ অমা পুথোকখি। মহাক্কী লৈজবা খূদিংমক তোল্ল-তারবশিংদা কত্থোকপদা হালেংদবা, লৌমীশিংনা লৌগী মপু ওইজগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থৌবাংবা, শোত্থরবা অমদি নমথবীরবশিংবু মখুৎ পায়দুনা চিংখৎলকখিবা মীশকনি হায়না শীংথানিংই। মহাক শৈরাংবা অমসুং শৈশকপা অমসু ওইখি। মসিদসু নত্তনা শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন অমসুনি।

লময়ানবা ইরাবতকী তেল্লবা পুন্সি মতেক খরদা থোকখিবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদোক অয়াম্বা সেপ্টেম্বর থাবুমদা ওইখি। মহাক পোকখিবা, অন্দরগ্রাউন্দ তাখিবা অমসুং লৈখিদবসু সেপ্টেম্বর থাদা লোইনমক থোকখিবনা মরম ওইরগা সেপ্টেম্বর থাবুম অসি লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা পুৱারীগা মরী লৈনবা তাঙ্খক অমা ওইরি। পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংবু পুর্বাঞ্চল প্রদেশ হায়দুনা ষ্টেট অমখক্তদা পুনশিন্ননবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎখি। হায়রিবা থৌরাং থৌশিল অদুবু লময়ানবা হিজম ইরাবতনা লুচিংবা মীওই কাঙবু অমনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌদুনা থিংখি। মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ শাগৎলক্তুনা পুদোংস্বমদা ঈ-নাই তাবা থৌদোক ফাওবা থোকখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা লৈঙাক্লা হিজম ইরাবতপু ফাননবগীদমক য়াথং তাউথখি। য়াথং অদুনা মরম ওইরগা মহাক ময়ুম লমদম থাদোক্তুনা বর্মাদা চেনখি। মহাক্লা নিংজরম্বা অমদি শাগৎলম্বা মঙলান কয়া মঙফাওনবা অমদি মঙফাওনদবা য়াওখি। তুংগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা থৌদা অমা শীন্নরল্লগা বর্মাদা লৈবা অঙ্গো চীংগী জঙ্গলদা হিজম ইরাবত পুন্সি লোমখি। লময়ানবা অসিনা লৈখিদ্রবা তুংদা মহাক্কী মতিক ময়াই, ৱাখল্লোনশিং অদু তপ্না তপ্না খঙনরকপদগী ঙসিদি সেপ্টেম্বর থাগী থাবুম চুপ্না লময়ানবা হিজম ইরাবতপু নীংশিংবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরি। মহাক পোকখিবগী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমসু ঙসি লমদম অসিদা পাক শন্না পাঙথোক্কদৌরি। নুমীৎ অসিবু হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী লৈঙাক্লা ষ্টেট হোলিদে লাউথোক্তুনা লুচিংবা অসিবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি। অদুবু লুচিংবা অসিগী থৌরমশিং অসি পাঙথোকপা খক্লা লমদমসিগী হৌরক্লিবশিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং চেলহনবা ঙম্লব্রা হায়বদুদি ৱাহং অমা ওইরি। ছুটি লাউথোক্লগা লুচিংবা অসিগী কুমওন থৌরম পাঙথোকপা খক্লা মহাক্লা মঙজরম্বা মঙলান অমদি শাগৎচখিবা ৱাখল্লোনশিং অদু ঙসিগী লৈঙাক অমদি মীপুম খুদিংমক্লা তুংইন্ননা চৎপগী মমিদি তাদ্রি। লুচিংবা অসিগী মরমদা অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোনশিংবু মমুৎ তানা খঙবগী তঙাইফদবা কয়াসু লৈরি। মদুনা খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা পুখৎপদা অচৌবা কান্নবা অমসু ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা খুন্নাই অমগী তুংগী য়ুম্বীনি হায়নরিবা খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মরমদা ময়েক শেংনা খঙহন্নিংই। হৌরক্লিবশিংদা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোনশিং মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্লবা মতমদতা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগদৌরিবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২

১। “কংলাগী কৌপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কৌএ। অদুদা য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোকনে। মশক্তি নুওক্কী মশকনে। শা অমগী ঈনা লাৎও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কৌপা নুঙ অমা লৈএ। লাইশক্তি শামুগী মশকনে। মচু মুইএ। খুরু খুদক কূন্না লৈএ। উহৈদে। উরবদি লৈপাক তাকএ। ওক্কী ঈনা লাৎও। কৌপরুগীদি অসিনা খৈরে।” মথক্কী পরেংশিং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

২। “শৈদম শৈরেং” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ফোঙবগে? স্কুলদা তম্নবা টেক্সবুক লাইরিক ওইনবা কনানা লৈখিবগে?

৩। শক্লাইরবা অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা অহানবা ইখিবা লাইরিক্তু করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা খূৎনম পুথোকখিবগে?

৪। “ভক্তরাজ” গী অইবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট অদু কনানো?

৫। মখাগী শৈরেং মতেক অসি লৌথোকফম ওইরিবা অরিবা শৈরেং অদু করি মমিং কৌবগে?


“শিনয়োম নুংগী ইরকপা
কোঙয়াং ৱা-ই-ইরকপা
খেৎফরোই দে।
তাইবঙ ইরেন পূংশিবু
লাইজা ইরৈ চনগুম্মে
খঙঙমদে দে।
তাল্লোয় নুংচান ৱাদুনা
খোংফৈ চীরোন চন্নদি
লমদল্লে দে।”

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইফিসিয়েন্সি ৱাংলবা, ষ্টেবল ওইরবা, ইকো-ফ্রেন্দলি পেরোভস্কাইট সোলর সেল

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**




এম-পি ভি এস সি (এম ও পি য়াওরবা)দগী য়ুথরকপা মিশিগী চাংসি আর-পি ভি এস সি (এম ও পি য়াওদবা)দগী য়াম্না হন্থবদু উৎপা শক্তম

ঙসিগী মালেমসিদা হিংলিবা মীওইবা ঐখোয়সি ইলেক্ট্রিসিটিগী অচানবা মনাই ওইরে; ওইদুনসু লৈখিগনি। ঈরু-মায়থজবা, ফিশু-ফিজাম, চাক-ঈশিংদগী হৌরগা নুংঙাই পুন্সি-মরেলগী রেদিও, টি ভি, সাউন্দ সিষ্টম, ... কম্যুনিকেসন অমসুং ইনফোর্মেসন, বেঙ্কিং, নেটৱর্কিং য়াওরগা, লৌউ-শিংউ, ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি, ... ইলেক্ট্রিসিটিনা চলাইদবা করিবু লৈরিবগে? ইলেক্ট্রিক কার, ওটো, ত্রেন, ... ইলেক্ট্রিসিটিসি হৌজিক্তি নাকল অমরোমদা, ঐখোয়গী থৱায় ওইরবনি। ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্লবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা, অকোয়বগী ফীভমদা অকাইবা পীদবশিংগী মনুংদা সোলর সেলশিংসু অমনি। অদুবু হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা সেমিকন্দক্টর সোলর সেলশিংনা মঙালবু ইলেক্ট্রিসিটিদা ওন্থোকপগী চাংসি নেম্লি। অদুনা পেরোভস্কাইটকুম্বা অনৌবা পোৎশিংনা শাবা সোলর সেলশিং পুথোক্লরক্লি।


পেরোভস্কাইট হায়বসি পুমনৌ নৌরিবা পোৎমক্তি ওইদ্রে, অদুবু অনৌবা অমা ওইনা মসিনা শাবা সোলর সেলশিংদা থিজিনবগী থবক কন্না পায়খৎনরক্লি। সিটি য়ুনিভর্সিটি ওফ হোং কোং (সিটি য়ু) গী সাইন্টিষ্টশিংনা পেরোভস্কাইট সোলর সেল (পি ভি এস সী) শিংদা লৈরম্বা খুদোংচাদবশিং : সেলদগী মিশি য়ুথরকপা অমসুং ষ্টেবিলিটি ৱাৎপা - কোকহন্দুনা মঙালবুসু ইলেক্ট্রিসিটিদা য়াম্না ওন্থোকপা ঙম্বা পেরোভস্কাইট সেলশিং পুথোকপা ঙমখ্রে। থিজিন-লূপ অসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবশিংদি : সিটি য়ুগী কেমিষ্ট্রি অমসুং মেটরিএল সাইন্সকী প্রোফেসর অলেক্স জেন ক্বান-য়ুই, দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসরসু জেংতাও অমসুং ডা. জু জোংলোংনি। থিজিনবগী চেরোল অদু হন্দক্তা ‘নেচর নানোটেক্নোলোজি’ (সেপ্টেম্বর ২১, ২০২০) দা ফোঙলকখিবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি, পি ভি এস সীশিংসি সিলিকোন (সেমিকন্দক্টর) দা য়ূম্ফম ওইরিবা সোলর সেলশিংদগী ফবগী চাং পংহেন হেনবা নৎত্রি; অদুবু মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা অমদি পেরোভস্কাইট সেলশিংসি কুইনা শীজিন্নরকপা মতমদা, সেলদা য়াওরিবা মিশি য়ুথরকপা, হায়বদি নোংগী ঈশিংনা পুথরক্তুনা লৈবাক্তা তুংশিল্লবা নৎত্রগা লৈবাক্তগী চেন্থরক্তুনা পাৎ-তুরেলশিংদা য়ৌরকপা য়াই। অদুনা পেরোভস্কাইট সেলশিংবু লার্জ-স্কেল ওইনা শীজিন্ননবগীদমক, মঙালবু ইলেক্ট্রিসিটিদা য়াম্না ওন্থোকপা, ষ্টেবিলিটি হেনগৎহনবা লোয়নননা মিশি য়ুথরকপসি থিংদুনা অকোয়বগী ফীভমদা অয়েৎপা পীহন্দবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরকখি। প্রোফেসর সুগা খূৎশম্নদুনা প্রোফেসর জেন অমসুং ডা. জুনা মথক্তা পনখ্রিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্বা, দাইমেন্সন অনীগী মেটল-ওর্গানিক ফ্রেমৱর্ক (এম ও এফ) শিং পি ভি এস সীদা হাপচিনখি। মসিনা মিশি য়ুবা হন্থহনবগা লোয়নননা ষ্টেবিলিটি হেনগৎহল্লি অমসুং মঙালবু ইলেক্ট্রিসিটিদা ওন্থোকপগী চাংসু হেনগৎহল্লি হায়না প্রোফেসর জেন্না ফোঙদোক্লি।

মেটল-ওর্গানিক ফ্রেমৱর্ক (এম ও এফ) মেটরিএলশিংসি পেরোভস্কাইটশিং শেমগৎলকপবু টেমপ্লেট তৌনবগীদমক তোংখৎহনবা শরুকশিং ওইনা শীজিন্নরক্লি। মসি পেরোভস্কাইটশিংগী মগুন অমসুং ষ্টেবিলিটি হেনগৎহন্নবগীদমক অহেনবা হাপচিনবা পোৎ নৎত্রগা লৈমাইগী রিএক্টিভিটি হন্থনবগীদমক সর্ফেস মোদিফাইয়রশিং ওইনসু শীজিন্নৈ। অদুম ওইনমক, দাইমেন্সন অহুমগী এম ও এফশিংসি অনেম্বা চার্জ-কেরিয়র মোবিলিটিগা লোয়নননা ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফজনা চৎপা ঙমদে; মরম অসিনা করেন্ট চেনবগী চুনবা মেটরিএল ওইবা ঙমদে। অদুবু প্রো: সুনা শেমগৎলক্লিবা এম ও এফশিংসিদি মসিদগী তোঙাল্লি। মখোয়সি মরু ওইনা মথৌ তৌরিবা থাইওল গ্রুপশিং য়াওবা, হয়িংখোই মহুম মানবা দাইমেন্সন অনীগী ষ্ট্রকচরনি। মখোয়দা চুনরবা এনর্জি লেভেলশিং য়াওই, লেভেলশিংসিনা ইলেক্ট্রোন-এক্সত্রেক্সন লেয়র (‘ইলেক্ট্রোন-কলেক্সন লেয়র’ হায়রগসু খঙনবা) অমা শেম্মী অমসুং পি ভি এস সীশিংগী ইলেক্ট্রোদনা ইলেক্ট্রোনশিংবু খোমজিল্লি।

হেন্না মরু ওইরিবদি, এম ও এফশিংদা থাইওল অমসুং দাইসলফাইদ গ্রুপশিংগী কুংলবা এরেশিংনা মিশিনা য়ুথরকপবু থিংনবগীদমক পেরোভস্কাইট-ইলেক্ট্রোদ ইন্টরফেসতা অরুম্বা ধাতুগী আইওনশিংবু ফাজিল্লি। পি ভি এস সীগী মপানথংবা মরোল ওইনা শীজিন্নরিবা এম ও এফনা পেরোভস্কাইটতগী কাইথরকপা মিশিগী আইওনশিংনা য়ুথরকপবু ৮০%গী মথক্তা ফাজিল্লগা, লৈবাক-লৈহাওবু মোৎহল্লোইদবা ঈশিংদা তুমদবা কমপ্লেক্সশিং শেম্মী। মসিগীসু মথক্তা, এম ও এফ মেটরিএল অসিনা পেরোভস্কাইটশিংবু ঈশিং মনিল অমসুং ওক্সিজেন্দগী ঙাকথোকপগা লোয়নননা ইফিসিয়েন্সিবুসু ৱাংনা ফংহল্লি। মখোয়গী এম ও এফকা লোয়নননা শেমদোক্লবা পি ভি এস সী অসিগী পাৱর কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি অসি ৮১.২৮%গী ফিল ফেক্টর অমা অমসুং ১.২০ ভোল্টকী ওপন সর্কিট ভোলটেজ গা লোয়নননা ২২.০২% য়ৌবা ঙম্মী। মতম অসিমক্তদা, খূৎলায় অসিনা রিলেটিভ হ্যুমিদিটিনা ৭৫% ওইবা অকোয়বগী ফীভম অমদা খ্বাইদগী ফবা ষ্টেবিলিটি উৎলি অদুগা পুং ১,১০০গী মতুংদা অহানবগী ইফিসিয়েন্সিদু ৯০% ফাওবা ঙাক্তুনা থম্মী। মসিগা চাংদম্নবদা, এম ও এফ য়াওদবা পি ভি এস সীগী পাৱর কনভর্সন ইফিসিয়েন্সিসি হান্নগী ভেল্যুদুদগী ৫০%দা হন্থরকই।

করিগুম্বা সোলর সেল অমবু মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক দরকার ওইরিবা ইফিসিয়েন্সি অমদি ষ্টেন্দর্দ অসি ইন্টরনেসনল ইলেক্ট্রোটেক্নিকেল কম্মিসন (আই ঈ সী) না লেপ্পী। আই ঈ সীগী ষ্টেন্দর্দ অসি ৮৫°সেলসিয়সতা পুং ১,১০০ মুক শুংলেপ লেপ্তুনা চলাইবদা অহানবগী ইফিসিয়েন্সিদু ৯২% ফাওবা ঙাক্তুনা থল্লিবা খূৎলায় অসিনা য়ৌবা ঙম্লে হায়না ডা. জুনা হায়রি। অনৌবা মখলগী পেরোভস্কাইটকী সোলর সেল অসি শেমগৎলকপদা চহী অনীমুক চঙখি। থিজিনবা অসিগী অনীশুবা তাঙ্কক ওইনা, থিজিন-লূপ অসিনা পাৱর কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহনবা অমসুং খূৎলায়সি শাবদা চঙলিবা শেনফম হন্থহন্নবা হোৎনগদৌরি। লূপ অসিনা থল্লিবা পান্দমদি অসিগুম্বা মখলগী পি ভি এস সীশিংসি পাউচেশিং নম্বগুম্না লায়না অমসুং থুনা পুথোক্তুনা লার্জ-স্কেল কম্মর্সিএলাইজেসন্দা মায় পাকহনবা হায়বসিনি। ●




য়ুথরক্লগদবা মিশিবু মথক থংবা এম ও পিগী মরোলনা ফাজিনবগী মওং তাকপা শক্তম

# ক্রিকেট খ্বাইদগী হৈবা ব্রেদমেন অমসুং বোদি লাইন-১

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ক্রিকেট খ্বাইদগী হৈবা শান্নরোয় অমা ওইনা মশান্না অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা রেকোর্দ কয়ামুক থমদুনা মালেম অসিনা ইকায়খুম্নরিবা লৈখিদ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় দোনাল্ড ব্রেদমেনগী মতিক মগুন মমাঙগী চেফোঙদা থমজখিবদা মহাক্কী মমিংদা ব্রেদমেন ম্যুজিয়ম লিংখত্তুনা মীওই কয়ামুক ম্যুজিয়ম অদু য়েংবা লাকখিবনচিংবগী মরমদা পঞ্জখিবগা লোয়নননা মহাক্কী মতমদা ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া, ইংলেন্দ, খা অফ্রিকা, ন্যু জিলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ খক্তমক টেষ্ট মেচ শান্নবগী অয়াবা পীখিবা, মহাক্কী শক্তম য়াওবা পোষ্টেল ষ্টাম্প অনী ফোঙখিবা, লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন হাওৱার্দনা মহাক্কী পিথ্রাইনা শাবা শক্তম শারগা ব্রেদমেনগী থোঙ্গালদা থমখিবগী মরমনচিংবগী মখা তারকপা ওইনা কুমজা ১৯৮২গী মতমদগী মণিপুরদা টেলিভিজন য়ৌরকখি। মসি মরু ওইনা মাপলশুবা এসিয়ন গেমস ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অদুগা মরী লৈননা খুদোংচাবা অসি ফংখিবনি। মরম অসিনা ন্যু দিল্লিগী চেনেল অসি ইম্ফালদা উবা ফংবা হৌখি। চহী অসিদগী হৌনা লমদম অসিদা টেলিভিজনগী কান্নবা ফংলে। চহী অনীগী মতুং কুমজা ১৯৮৪দা নুমিদাং অথেংবদা বোদিলাইন কৌবা ফিল্ম অমগী সেরিয়েল অমা লাকখিবদা ঐখোয়গী অহলশিংগা লোয়নননা পূন্না সেরিয়েল অদু য়েংবা ফংখি। ফিল্ম অদু কুমজা ১৯৮৪গী জুলাই ১৬তা অহানবা ওইনা উৎখি। ফিল্ম অদুদা দোনাল্ড ব্রেদমেনগী ক্রিকেট শান্নবদা হৈশিংবা, মহাক্লা মহাক্কী টিমবু হৈশিংনা লমজিংবীবনচিংবা উৎলি।

ফিল্ম অদুগী মরুওইবা ৱারীদি কুমজা ১৯৩২-৩৩দা ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎপদা ইংলেন্দগী বোলর হেরল্ড লারৱুদনা মহাক্কী শাফু কন্না লংখিবা, কা হেন্না য়াঙনা চৎখিবা বোল অদু বেটসমেনগী মমাঙদা তাহল্লগা চোংখৎলকপা বোল অদু বেটসমেননা থোম্বা নংহৌদবনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা বেটসমেনগী মকোক্তা, মমায়দা অমসুং মথবাক্লচিংবদা বোলনা থাদুনা বেটসমেন কয়ামুক অশোক অপন নংহনখি। মসিগী মমাঙ কুমজা ১৯৩০দা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দা শান্নবা চৎখিবদা লারৱুদকী লেগ সাইদ বাওন্সর অসিনা ব্রেদমেনগী মশাদা বোলনা হন্না হন্না থাখি। মরম অদুনা মহাক্লা লংলকখিবা বোল অদুনা লৈবাক্তা হেক তাবগা ব্রেদমেন্না খোঙকাপ অমা মতুংদা হন্দোকখি। অসিগুম্বা ইংলিস শান্নরোয়শিংগী পুকচেল পিকপা শান্নবগী চৎনবীগী ৱাংমদা থাংলিবা খোঙথাং অসি জেন্টলমেনগী মশান্ননি হায়রিবা ক্রিকেট মশান্নগী ওন্ন-তৈনবদা থবক তৌরি। মশান্না অসিগী মীংচৎ থীহনবগী তাঙ্ককনি হায়না লৌনখি। ইংলেন্দগী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অনী অসিগী দিপ্লোমেটিক রিলেসন থদৎনবগী মওংদা লৈরমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর জোসেফ এলোয়সিয়স লয়োন্সনা ইংলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ইংলেন্দগী কেপ্তেন জারদিন অমসুং মহাক্কী বোলর লারৱুদনা চত্থরিবা টেষ্ট মেচকী মওং অসিদা লৈবাক অনী অসিগী লৈনবা মরী (দিপ্লোমেটিক রিলেসন) অসি লাপথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না টেলিফোন্দা ৱারী শানখি।

মতম অদুদা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়াগী গভর্ণর অলেকজেন্দর হোর রূথভেন ইংলেন্দদা লৈরম্মী। মহাক্লা বৃটিশ সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর দোমিনিয়ন এফ্যেরস ওইরিবা জেমস হেনরি থোমাসকা উনদুনা বোদিলাইনগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনী অসিগী লল্লোন ইতিক তৌনবদা অফবা মরী লৈনবা অদু হন্থরকপা য়াই হায়না মহাক্কী ৱাফম থমখি। টেষ্ট মেচ অদু অহানবা ওইনা সিদনি সহরদা পাঙথোকখি। মেচকী অহানবা নুমিত্তগী হৌনা টিম অনী অসিগী মরক্তা চয়েৎনবা অদু হৌরকখ্রে। মেলবোর্ন সহরদা ফোঙবা পাউচে ‘মেলবোর্ন হেরল্ড’ কৌবা অমদা নুমিৎয়ুংবা মতুং নুংথিলদা মেচ অদুগী (টি ব্রেক্তা) চা থকপগী পোত্থারিঙৈদা অতেনবা পাউ অমা থারকখি।

জেক ৱোররেলনা ইহান হান্না শীজিন্নখিবা ৱাহৈ ‘বোদিলাইন’ হায়বা অদু বগ্নীনা মহাক্কী ৱারেং ইবদা য়াওখি। মরম অদুনা বগ্নীনা ৱাহৈ অসি অহানবা ওইনা শীজিন্নখিবনি। মতুং তারকপদা মহাক্কী সব এদিটর রেয় রোবিনসন্না শীজিন্নবদগী অতৈ অতৈ প্রেসশিংনা ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা হৌখি। বোলরনা য়াম্না য়াঙনা থুনা অকনবা স্পিদতা বোল অদু সোর্ট পিটসতা বেটসমেনগী হকচাং তম্লগা লংশিনবা অমদি বেটসমেনগী ময়ানক্লা (মনাক নক্লা) ফিল্ডরশিং অদু শোর্ট লেগ পোজিসন্দা কোয়শিন্দুনা লৈহনখি। বোলর ওইরিবা লারৱুদনা বোদিলাইন হায়বা ৱাহৈ অসি য়ানীংদে। মহাক্লা হায়বদি লেগ ষ্টম্পদা এইম তৌরগা হায়বদি মীৎয়েং থল্লগা লংবনি। বেটসমেন্দা বোলনা থানবা লংবা নত্তে।

অনীশুবা টেষ্ট অদুদা ব্রেদমেনগী ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না থোইদুনা পাঞ্জল মান্নদুনা ১-১দা লৈখি। অহুমশুবা টেষ্ট এদেলেয়দতা পাঙথোকখিবদসু ৱাথোক অদুমক লৈখি। অহানবা ইনিংসতা ওষ্ট্রেলিয়ানা বেট্টিং তৌবদা মখোয়গী কেপ্তেন বিল ৱুদফুলগী মথবাক্তা লারৱুদকী বোল অমনা লৈবাক্তগী চোংখৎলগা থাবদা অকনবা চৈনা ফংখি। মহাক ৱান্থবদি তৌখিদে, য়াম্না কন্না অনাবা ফাওখি। মথং তারকপদা দোন ব্রেদমেনদা লারৱুদনা বম্পর অমা লংখি (হুনখি)। নুমিৎ অদুগী মেচ অদুদা ভাবক ৫০৯৬২না য়েংখি। ওষ্ট্রেলিয়াদদি মী য়াম্না তাদবা লৈবাক ওইবনা ভাবক মশীং অসি য়াম্না য়াম্লবনি। ব্রেদমেননা রন ৮ অমসুং ৱুদফুলনা ২২ ফংখি। ইংলেন্দগী মেনেজর পেলহাম অমসুং রিচার্দ পালায়রেটনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না পোত্থাফম অমদি মফি মরোল হোংফম দ্রেশিং রুমদা চঙলক্তুনা মখোয়গী কেপ্তেনদা ঐখোয় নহাক করম তৌরিবগে হায়বা য়েংবা লাকপনি হায়খি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন অদুনা অসুম্না খুমখি, “মিষ্টর ৱারনর শান্নফমদা টিম অনী থোরকই। মদুদা টিম অমদি ক্রিকেট শান্নে। অতোপ্পা টিম অদুদি ক্রিকেট শান্নদে। মসিখক্তনি ঐনা হায়গদবদি, গুদ অফটরনুন। (Mr. Warner, there are two teams out in the field, one is playing cricket and the other is not. Good afternoon). ●